ꯍꯨꯢꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ০৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০১৪শুবা মশীং

# অহানবা ওইনা কেস ১,১৫,৭৫৬ থেংনখিবা

## অনীশুবা ৱেভ অসি তরাইনা লৌহন্নিংদে, পুন্নমক্লা চেকশিনমিন্নবা চঙই

কুমজা ২০১৯গী লোইরমদাই শরুক্তা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াদসু কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ৩০দা লৌনগনবা লায়না অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস থেংনখিবনি। কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বর ১৭তা কেস ১,০৭,৮৯৪ থেংনখি। ইন্দিয়াগী ওইনা নোংমত্তদা কেস লাখ ১ হেন্না থেংনখিবা সেপ্টেম্বর ১৭তনি। মসিগী মতুং চহী অসিদা নোংমদা কেস লাখ ১ য়ৌনা থেংনদনা লাকখিবনি। অদুবু লৈবাক অসিদা কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী থা হৌরকপদা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ লাক্তুনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট খরদা কোভিদকী কেস থেংনবগী চাং খঙৱাং ৱাংখৎলকখি। হৌখিবা এপ্রিল ৫দা অমুক কোভিদকী অনৌবা কেস ১,০৩,৫৫৮ থেংনখি। নুমীৎ অসিনা ইন্দিয়াদা নোংমত্তদা কোভিদকী কেস লাখ ১ হেন্না থেংনখিবা অনীরকশুবা ওইখি। অদুগা এপ্রিল ৭তনা ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা খ্বাইদগী চাং ৱাংবা মওংদা নোংমখক্তদা কোভিদ-১৯গী ১,১৫,৭৩৬ হেনগৎলকপা থেংনখিবনি। মসিনা লৈবাক অসিদা কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনখিবগী রেকোর্দসু ওইরি। ইন্দিয়াগী ওইনা এপ্রিল ৭ ফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিগী অপূনবা কেস মশীং ১,২৮,০১,৭৮৫ শুরে। এক্টিভ কেস মশীংনা ৮,৪৩,৪৭৩ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১,১৭,৯২,১৩৫নি। লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শিহনখিবা মীশিং ১,৬৬,১৭৭ য়ৌখ্রে। মহারাষ্ট্র, ছটিসগড়, দেল্লী, পঞ্জাব, চান্দিগর, গুজরাত অমদি রাজস্থানদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলক্লি। মহারাষ্ট্রগী এক্টিভ কেস ৪,৭৩,৬৯৩; চান্দিগরগী ৫২,৪৪৫; দেল্লীগী ১৭,৩৩২; গুজরাতকী ১৭,৩৪৮ অমসুং রাজস্থানগী এক্টিভ কেস মশীং ১৬,১৪০নি। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা রিপোর্ট মতুংইন্না অপূনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশীংগী চাদা ৫৪দি ছটিসগড়, দেল্লী, গুজরাত, হরয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, ঝরখন্দ, কর্নাটাকা, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, পঞ্জাব অমসুং রাজস্থানদা থেংনরি। ষ্টেট খরদা কোভিদ-১৯গী ফীভম কা হেন্না লুশিল্লকপগী মতাংদা সেন্টরনা লাক্কদৌরিবা চয়োল মরি অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে হায়নসু লাউথোকখ্রে।

মণিপুরদসু কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদা অহানবা কোভিদকী অহানবা কেস থেংনরবা মতুংদা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর থা ফাওবা থা খূদিংগী কেস মশীং হেনগৎতুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর থাদা কেস ৭৫১৯ থেংনরবা মতুং নবেম্বর থাদগীদি অমুক তপ্না তপ্না হন্থরকখিবনি। নবেম্বর থাদা কেস ৬৫৪৩, দিসেম্বরদা কেস ৩১৪৩, জন্যুৱারীদা কেস ৮৮৮, ফেব্রুৱারীদনা ২০১, মার্চতনা ১৩৭ অমসুং এপ্রিল ১দগী এপ্রিল ৭ ফাওবদনা কেস ৪৭ থেংনরি। মার্চ থাদদি কেস অমা ফাওবা থেংনখিদবা নুমীৎসু য়াওখি। মসিগীসু মথক্তা মার্চ ২৮দগী এপ্রিল ১ ফাওবা পাঙথোকখিবা য়াওশঙ কুম্মৈ মনুংদসু কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপা থিংননবা লৌখৎলকপা খোঙথাং ওইনা থাবল চোংবা, শুমাং লীলানচিংবা পাঙথোকপা থিংখিবনি। মসিগীসু মথক্তা য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা পাঙথোকপা স্পোর্টসতসু মী অমগা মী অমগা শোক্ল-শম্নবা ইভেন্টশিং পাঙথোক্তনবসু লৈঙাক্না এদভাইজরি থোক্তুনা অথিংবা থমখি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকখিবা অসিদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪দগী মহারাষ্ট্র, ছটিসগড়, এম পি, গুজরাত অমসুং কেরলাদগী ফ্লাইট তোংদুনা ষ্টেট অসিদা লাকপা পেসেঞ্জরশিং ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা কোভিদ টেষ্ট তৌবা হৌহনখি। অদুগা মার্চ ১৯দনা অমুক ষ্টেট মঙা অসিগী মথক্তা রাজস্থান, পঞ্জাব অমসুং হরিয়নাদগী ফ্লাইট তোংদুনা লাকপা পেসেঞ্জরশিংসু এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা কোভিদকী টেষ্ট তৌহনখি। ষ্টেট ৮ অসিগী মথক্তা তামিলনাদুদগী লাকপা পেসেঞ্জরশিংসু হৌখিবা এপ্রিল ৩দগী এয়রপোর্টতা থুংলবগা টেষ্ট তৌবা হৌহনখ্রে। মসিগীসু মথক্তা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পাউতাক মতুংইন্না কোভিদকী কেস কা হেন্না ৱাংখৎলক্লিবা ষ্টেটশিংদগী লৈকং লম্বীদা লাকপা পেসেঞ্জরশিংসু জিরিবাম অমসুং মাও গেটতা কোভিদ টেষ্ট তৌবা হৌননবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। মপান্দগী ফ্লাইট তোংদুনা লাকপা পেসেঞ্জরশিংগী মরক্তা পোজিটিভ ওইবা মীওই ৪৪সু থেংনখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা ষ্টেট খরদদি নাইট কর্ফিয়ু অমদি লোকদাউন ফাওবা থম্বা হৌনখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী য়েংলগা ষ্টেট অসিদসু কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ অসি তরাইনা লৌহন্নিংদে। অনীশুবা ৱেভ অসিদা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং ৱাংলিবনি। অদুগা লায়ওং উৎপগী চাংনা নেল্লি। মসিনা মরম ওইরগা শিবগী চাং হেনগৎলক্কদ্রা হায়নসু পান্নরিবনি। মণিপুরদসু পুন্নমক্না লায়না-লাইচৎ অসিদগী শাফহৌনবা চেকশিনমিন্নবা চঙই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫

১) "চীংয়া তময়া" (অহানবা ফোঙবা, ১৯৫৫) হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) "মেঘনাদবদ-কাব্য (সম্পূর্ণ)" হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?

৩) "খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী অনীশুবা শরুক" হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) নিংথৌ "থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক" অদু করি লাইরিকনো?

৫) "ঐদি আত্মাগী কন্সেপ্টতা থাজবা ঙমদ্রি; ঈশ্বরবু থাজবা ঙমদ্রি। ঐগী মাঙদা থোঙ অহুম লৈরে - আত্মা, ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতি। থোঙ অনীদি হৌজিকসু লোল্লি অমদি হাংলে - অদুবু থোঙজিন কানশিল্লগা মনুং য়ৌশিনবদি ঙমদ্রি হাংলিবা থোঙ অসিসু।" কবি কনাগী ৱাহৈনো অমসুং কদাইদা য়াওখিবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ফিল্ম য়াম্না পুথোকপদগী মীতৈলোল, মীতৈ ময়েক্কী ফীভম হেন্না ফগৎহল্লে

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

চহী য়াঙ্খৈ হায়বসি শাংলবা মতম অমনি। মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না মীতৈলোল ফিল্মগী পুন্সি খোঙচৎসু চহী য়াঙ্খৈ ফাজিল্লক্লে। মতমগী মণিপুর হায়বা ফিল্মদু, হোয় কুইবুদি কুইরে অদুবু ইকুই কুইখিদ্রিবরা হায়না খল্লি। অদুম্নদি ওইরবদা মতমগী মণিপুর হায়বা মীতৈলোলগী ফিল্ম অদু কুমজা ১৯৭১গী এপ্রিলগী চৈচৎ ৯দা শাফোঙলকখিবনি। *"ঐগী পুন্সি নঙগা করি থোক্লৈ ঐগা, হুন্দোক্লে ঙমদে পুবা ৱারে"* হায়বা অহৈবম বুধচন্দ্রনা শকখিবা ঈশৈদু অৱাংবা উ মথক/ৱাতোন্দা খোংবা মাইক্তগী তাবা ফংখিবদু য়াম্না কুইদ্রিবোই ঙসিসু নীংলি।

ফিল্ম হায়বসি করিনো হায়বদি মসিনা তৌরিবসি করিনো? তশেংনমক হেক হংলবদি খুমফম খঙদবা অমনি। মসি অয়াম্বা মীওইশিংদা থোকই। মীয়াম্না খঙনরিবদি ফিল্ম হায়বসি পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইনবা অৱাবা পোত্থানবা কুম্মৈ মখল অমনি হায়বসিনি। মসিসু অচুম্বা অমনি। অদুবু মসি খক্তরা হায়বা ৱাহং অমদি থোক্লকই। শম্না হায়রবদা ফিল্ম হায়বসি মায়থোঙ য়াম্না য়াম্মী। অৱাবা ঙাইহাক পোত্থানবা কুম্মৈ অমা নত্তে। ইন্দষ্ট্রি অমখক্তসু নত্তে। মীয়াম্না হায়নবদি ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি হেক্তা হায়নৈ। অমরোমদা মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবদি ইন্দষ্ট্রি হায়বদি মীওইবনা শীজিন্ননবা তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদবা পোৎ চৈ শাদুনা পুথোকপা অদুবুনি। অদুবু ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি হায়বসিদগীদি মীওইবনা শীজিন্নগদবা হিংবদা চঙবা পোৎ চৈ পুথোক্তে হায়না লৌনৈ। অদু ওইরবদি করম্না ফিল্মবু ইন্দষ্ট্রি হায়রিবনো? তশেংনা হায়বা য়াই ফিল্মনা মীওই কয়াদা শেন্থোক লৈহল্লি। কান্নরবা শিনফম কয়া পীরি। খুন্নাই অমদা লমদম অমদা কান্নবা কয়া পীরি। ফিল্ম হায়বসি মমল কয়া লৈতবা, খুন্নাই অমদা লমদম অমদা লৈরবসু য়াবা অদুগা লৈত্রবসু য়াবা পোৎশক অমা ওইনা লৌবদি য়াম্না লাল্লি। খুন্নাই অমগী ফুরুপ অমগী অচৌবা লন অমনি। মতমগী মণিপুর হায়রিবা ফিল্ম অসি পুথোক্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মীয়াম্না খোয়দানা য়েংনরম্বসি হিন্দি ফিল্ম অসিনি। লমদমসিগী মীয়াম্না মতম অদুদা তোয়না ৱাখলদা খন্নখিবা ৱাফমসি অতৈ নত্তে মদুদি করম্বা মতমদা ঐখোয়গীসু মীতৈলোল ফিল্ম পুথোক্লক্কদগে, করম্বা মতমদা মীতৈলোল ঙাঙবা, মীতৈলোলগী ফিল্ম ঈশৈ তাবা ফংগদগে হায়বসিনি। হোৎনরবদি করিগী মীতৈলোল ফিল্ম নম্বা ঙম্লোইদৌরিবনো হায়নৈ। অদুবু ৱাগনি, ঙমখিরোইনে হায়বসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু মতমগী মণিপুর হায়বা ফিল্ম অসি পুথোক্লকপা মতমদদি ব্লেক এন্দ হ্বাইট ওইজরবসু মীতৈলোলনা ৱা ঙাঙলকপা, ঈশৈ শক্লকপা অদুমদি য়াম্না হরাওনখি। মদু ঙসিদি চহী য়াঙ্খৈ শুরে।

হিন্দি ফিল্মখক্তমক য়েংবা ফংলম্বা হৌখ্রবা মতম অদুদদি লমদমসিগী মীয়াম অদুদা ময়াংগী ঈহুল অমা মশাদা চুদুনা লৈবগুম তৌখি। ফিজেৎ চাকচেৎ, ৱাঙাঙ শাঙাঙ, হৈনবী কয়া, ৱারী কয়া মীরমগী চৎনবীদা লৈখি। ঈশৈসু হিন্দি ফিল্মগী ঙাক্তা রেদিও খোঙলুরবসু মাইক খোঙলুরবসু, বেন্দ খোঙলবসু। ঙসিদি মীতৈলোলগী ঈশৈনা ৱাই চাইরে। হিন্দি ঈশৈ অমুক তপথখ্রে। মতম অদুদসু মীতৈলোলগী ঈশৈ লৈতবমক্তি নত্তে অদুবু মশীংদি য়াম্না য়ামদে। ফিল্মনা মীওইবদা কান্নবা কয়া য়াম্না পীবগে হায়বদুগী মনুংদা হীরম অমখক্তং নৈনদুনা য়েংবা য়াই। ফিল্মনা লোল অমদা কান্নবা কয়া পীরি। মীতৈলোল ফিল্মনা মীতৈলোলবু চাওখৎনবা, লোল অসিবু ঙাঙবা মী মশীং হেনগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরি। ঙসিদি মীতৈলোল অসি শিথরক্লবা লোল অমনি হায়নবা লৈ। মীতৈশিংনা মীতৈলোল ঙাঙবগী চাং হন্থরকপা, ইংলিসনা ৱা ঙাঙলগা লাইরিক হৈবা মীশক অমনি হায়নরি। ইমুং মনুংদা ৱা ঙাঙনবদা ফাওবা মীওই কয়া অমদি ইংলিসতা ঙাঙনরি। মীতৈলোলদা ৱা ঙাঙলবদি লাইরিক হৈতবা মী ওইনা লৌনরক্লবা মতম অসিদা স্কুল, কোলেজদা মীতৈলোলবু তম্নবা সবজেক্ট অমা ওইনা লৌবা পান্নদ্রে। অদুবু চিরবা তাঞ্জা অসিদা মীতৈলোলগী ফিল্মদদি হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফিল্ম অদুদা মীতৈলোল ঙাঙলি। হৌজিক্তি লোনয়ান য়াওহন্দনা মীতৈলোলখক্তদা ফিল্মদুদা ঙাঙলি। মসিবু করম্না খুন্নাইগী কান্নবা থবকনি করম্না হায়রোইদগে? য়েংবীয়ু চহী অমদা মীতৈলোলগী ফিল্ম মশীং য়াম্না পুথোক্লি। মসিদা হায়নীংলিবা ৱাফমদি ফিল্ম অমদা কূপ্লিবা মীওইশিং অদুখক্তনা মীতৈলোল ঙাঙবা নত্তে। ফিল্ম অমা নম্বদা য়াওরিবা দাইরেক্টর, প্রদ্যুসর, কেমেরামেন, লাইট, সাউন্দ অমদি অতৈ শিনফম কয়াগী মীওইশিং পূন্না থবক তৌমিন্নবা মতমদুদা মীতৈলোল ঙাঙনবনা লোল অসি শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলি। ফিল্ম স্ক্রিপ্ট, ঈশৈ ময়েক য়াওদনা ফিল্ম নম্বা য়াদবনা মদুসু মীতৈলোলদা লোইনা তৌরি। ফিল্মদুগী ঈশৈ শক্লিবদুসু লোল অসি শীজিন্নবা হেনগৎহল্লিবনি। ফিল্মবু পোত্থাবা ওইনা লমদমসিগী মীয়াম্না পাম্না য়েংনরিবনা মীতৈলোল শীজিন্নবগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লি। ফিল্মদা য়াওবা ৱাহৈ ৱাতা, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ কয়া নহানসু, অহলনসু শীজিন্নরি। অমরোমদা লোনয়ান শীজিন্নদনা ইরমদমগী লোল ওইনা ফিল্মদা শীজিন্নবদগী অয়েংবা মীয়ামসু শীজিন্নরে। মীয়ামসি মশা ইখঙ খঙজদনা মীতৈলোল তোয়না ঙাঙবগী চাং ৱাংলে। মীরমগী ৱাহৈ-ৱাতা মীতৈলোল ওইরবোই নীংদুনা শীজিন্নরম্বদুসু তোক্তুনা ইশাগী ৱাহৈ ৱাতাদা শীজিন্নবা ফংলে। সিনেমা য়েংবা হেল্লিবমখৈ মীতৈলোল ঙাঙবগী চাং হেনগৎলকই। অদুনা মীতৈলোল চাওখৎলি, য়োকখৎলি। মুৎখিগদবদগী কনবা ঙমগনি। য়ুনেস্কোনা মতম অমদা মীতৈলোল অসি শিথরক্লবা লোল ময়ামগী মনুংদা অমনি হায়রম্বদু হায়বা ঙম্লক্লরোই।

অমরোমদা ফিল্ম হায়বসি ৱারী অমা য়াওদনা য়াবদি নত্তবনিনা স্ক্রিপ্ট অমা লৈবা তারকই। অদুনা ৱারী অইবা হায়বদি লাইরিক ইবা অইবা/অইবীগী মথৌ তারকই। ইবগী থবক অমসুং ফিল্ম হায়বসিনা য়াওহল্লকই। ইরিবসি ইংলিসতা নত্তে মীতৈলোলদনি। ফিল্মগী দাইলোগ ওইনা ফিল্ম কূম্বশিংনা ঙাঙবগী মথক্তা ফিল্মগী ৱারী ইবশিংনসু লোল অসি য়াম্না শীজিন্নরি। শম্না হায়রবদা ফিল্ম অমা পুথোকপদা লোল হায়বসি য়াওদবা য়াদে। লোল য়াওদবা ফিল্মদি সাইলেন্ট ফিল্ম তারে। মদুদি মীয়াম্না পাম্নবা ওইদে। ফিল্মনা মীতলোল চাওখৎহনবখক্তা নত্তনা মীতৈ ময়েকপুসু মীয়ামদা মশক তাক্লি, উহনবগী চাং ৱাংহল্লি। মীতৈ ময়েকপু নীংশিংদুনা মীয়ামদা লৈহল্লি করিনা হায়ববু ফিল্মগী মমিং, ফিল্ম কূম্বশিংগী মমিং মীতৈ ময়েক্তা লোইনা ইদুনা লৈরি। মীতৈ ময়েক্তা মহৈ তম্লক্লবা অঙাংশিংগীদি মীতৈ ময়েক য়াওদবা য়াদ্রে। শম্না ফিল্মনা মীতৈলোল অমদি মীতৈ ময়েক অনী কোয়পু পুদুনা মালেমগী মফম কয়াদা চৎলি। মালেমগী লৈবাক কয়াদা, ফুরুপ কয়াগী মমাঙদা মশক তাক্লি। মদুদসু নত্তনা লমদম অসিগী খুন্নাই অসিগী, ফুরুপ অসিগী ফিদা অমা কনবা ঙম্লি। মসিবু করম্না কান্নদে হায়গনি।

করিগুম্বা মীতৈলোল ফিল্ম পুথোক্লমদ্রবদি মীতৈলোল অমদি মীতৈ ময়েক্কী থাক অসি নেমথদুনা অদুমক লৈরম্বসু য়াদবা নত্তে। অদুনদি মীতৈলোল ফিল্ম পুথোক্লবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী ওইবা তুং কোয়বা থৌশিল কয়া পায়খৎপীবা চুল্লবনি। ফিল্ম ষ্টুদিও, অর্কাইব, শেলগী মতেং পীবিবা য়াবা থৌশিল শেম্বীয়ু ফনা য়াম্না লৈঙাক্কী শেল-থুমগী ফীভম ফৎতবা লৈরবসু। অমরোমদা য়েংবীয়ু, খন্থবীয়ু ফিল্মনা মুৎখিবা য়ানা লৈরে হায়নরম্লবা মীতৈলোল, মীতৈ ময়েক চাওখৎহল্লবনি। মতম অমদা ইংলিস মেদিয়মদা মহৈ তম্লকপা অঙাংশিং মীতৈলোল খঙবা ৱাৎলে হায়বগী থাক অদু য়ৌরম্লবনি। অদুবু ঙসিদি ইংলিস মেদিয়মদা মহৈ তম্লবসু মীতৈলোলগী ফিল্ম য়েংবদগী, মীতৈলোলগী ঈশৈ তোয়না তাবা ফংবদগী মীতৈলোল ঙাঙবগী চাং য়াম্না ৱাংখৎহল্লবনি। ●

# কোরোনাদি লায়রদুনা লাইকোয় ফাওবা লৌনরক্লদ্রা খল্লি

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

লৈঙাক্কী থবক-থৌওং হায়বসি মতম পূন্নমক্তা প্রোসিদ্যুর নাই। লৈঙাক্কী থবক-থৌরমশিং অয়াম্বনা, প্রোসিদ্যুর চত্থরিঙৈদা অথু-অকায়গী মতাংশিংদা হেক-হেক নংনদবগী থৌদৌশিং থোক্লরি। ৱাফমসি মহৌশানি অদুগা মীয়াম্নসু হেন্না খঙনরবনি। হৌজিক ইন্দিয়াগী ময়ায় থংবা শরুক য়াওনা খা থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা ষ্টেটশিংদনা হেন্না কোরোনাভাইরসকী অনীশুবা লায়না-লাইচৎ হান্নদগী দবল নৎত্রগা ত্রিপলদা হেঙ্গৎতুনা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লক্লি। থৌদৌসি তা-নবদা মণিপুরদসু, হান্না খুদোংথীবা নংখ্রবা ষ্টেট অমা ওইনা ইরমদমসিগী মীয়ামসি অসুক্কী মতিক মিপাইনবা পোক্লরি। ঐখোয়গী ষ্টেটসি মীশিং য়ামজদবা অপিকপা ষ্টেট মচা অমনি। ফীভমসিদা, মণিপুরদা লায়না মখলসি চঙলক্তনবা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎপদা থোইনা হেন্না ৱানীংঙাইগী মরম করি লৈগদগে? তৌইগুম্বসুং লায়নাসি শন্দোকপা হৌখ্রবদি, ইরমদমসি শীন-থুংনা শন্দোকখিবদা, থোইনা হেন্না মতম খক লৌরক্লোই। ফীভমসিদা, লায়নাসিগী মরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা লৌখৎলিবা চেকশিন-থৌরাংশিংগী মতাংদা মণিপুরগী মীয়াম্নসু কূপ্না য়েংশিনহৌফম থোকই। অদুগা, মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মায়কৈদগীসু লৌখৎলিবা থৌরাংশিংসিগী মতাংদা অহোবা মফম লৈরিব্রা হায়বসি য়াম্না চেকশিন্না অমসুং হঞ্জিন-হঞ্জিন য়েংশিনহৌবগী মথৌ তারি। হন্দক্কী, অনীরকশুবা ওইনা শন্দোক্লকপা কোরোনাগী ৱেভসিদদি মণিপুর লৈঙাক্না খরা হেন্না ঙন্না চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌবনা খ্বাইদগী হেন্না শাফবা হায়বদু ওইগনি খল্লি। নৎত্রবদি, অনীশুবা ৱেভসিনা মমাঙগী কোভিদ-১৯গী থৌদৌদুদগী হেন্না শাথীরক্লোই হায়বসু কনামতনা হায়বা ঙম্লোই।

হৌজিক-হৌজিকমক মণিপুরগী এয়রপোর্টতা চত্থরিবা, অকক্লবা ষ্টেট খরখক্তগী ফ্লাইটতা তোংলকপা মীওইশিং কোরোনা টেষ্ট তৌবগী থৌওংসিগী মহুত্তা, মণিপুর নত্তবা অতৈ অতোপ্পা (ফোরেন য়াওনা) মফম খুদিংমক্তগী লাকপা মীওইশিং (মণিপুরীশিংসু য়াওনা) পূন্নমক টেষ্ট তৌহন্নীংই। মপান্দগী চঙলকপা মীওই খুদিংমক চিত্থদনা টেষ্ট তৌথোক্তবা হায়বসি, মণিপুরদা লায়না মখলসি নৌনা পুশিল্লক্লবগী লম্বী খুদিংমক চপ-চানা থিংলে হায়বসি মতৌ করম্না হায়গনি? হৌজিক্কী মতমসি মালেমগী মফম খুদিংমক লায়না মখলসিনা শিন-থুংনা শন্দোকখ্রবনি। অদুম ওইনমক, ঙরাং-নহান্দগী হৌনা মণিপুরগী নোংথক্কী লম্বী নত্তবা, মণিপুরদা চঙলকপা য়াবা অতৈ লৈখাগী লম্বীশিংদসু মপান্দগী হল্লকপা নৎত্রগা নৌনা চঙলকপা মীওইশিং খুদিংমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোরোনা টেষ্ট তৌবগী থৌওংশিং চত্থরগনি লাউথোকখিবসিদি তাবদা নুংঙাই, অদুম ওইনমক থেঙবগী হায়রুরবদি নহান্না থেঙমল্লবনি। হৌজিকসুনি, খুদক্তগী হৌনা পায়খৎপা হৌহন্নীংই। করিগুম্বদা, থৌদৌসিমক পায়খৎলমদবা থোক্লবদি, কোরোনাগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎলি হায়রিবা চেকশিন থৌরাংশিংসি অরেম্বদা কবুই-কৈওইবনা উতোং অহোবদা ঈশিং শোকপগী থৌদৌ তাদুনা তোক্লমগনি। লায়নাসিগী মরমদা কয়ামুকসু ঙাঙনরি। হন্দক থোক্লক্লিবা অনীশুবা কোরোনাগী ৱেভসিদি, হান্নদগী হেন্না অসুক্কী মতিক শাথী অমসুং হেন্না খুদোংথীনীংঙাইসু ওই। লায়নাসিগী লায়ওংনচিংবশিংদসু হান্নগীদুদগী পুমতোপ তোপ্পী। হন্দক্কী কোরোনা লায়নাসিদি হান্না তৌরম্বা অদুগুম্না, নাজেল ফ্লুইদতগী লৌরগা পাঙথোকপা টেষ্ট মখলসিদসু পোজিটিভ ওই-ওইদে হায়বা পাক খঙদে হায়রি। অদুগা, সিম্পটোম মখল অমা ফাওবা উত্থোক্তনা ষ্টেজ হেঞ্জিন্না নাশিল্লম্বা অনাবশিংসু য়াওবা থেংনৈ হায়রি। পূন্নমকসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা হন্দক্কী অনৌবা কোরোনাগী মওংসিদা, করম-করম্বা অনৌবা মখলগী চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎকদগে হায়বসিসু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীবা মথৌ তাই। অদুগা, পূন্নমকসিগী মথক্তা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা ৱাফম অমনা, "হৌজিক-হৌজিকমক, সেকেন্দ ৱেভ ওইনা লাক্লিবা অনৌবা কোরোনা মখলসিনা তশেংনা নারে হায়না খঙলবা মীওই, মণিপুরদা কয়াম লৈরবগে নৎত্রগা লৈত্রিবরা? ৱাফমসিগী মতাংদসু মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুরগী মীয়ামদা নোলেজ অমা ফাওবা থম্বীদ্রি। ৱাফমসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্না অশেংবদুমক লাউথোকহন্নীংই। মশীং খঙদনা মণিপুরদা কোরোনাগী এৱ্যেনর্নেস পাঙথোক্লরবসু, ৱাফমসিগী মতাংদদি হৌজিক ফাওবদা, মীয়াম্না থোইদোক্না খঙনদনা লৈনরি। হীরম খুদিংমক্তা লমদমসিদা, তাইওন্নবগী থৌদৌশিংতমক থোক্লি। মতম চূপ্পগী ওইনা থৌদৌশিংসি ইরমদমসিগী শরুক্তমক ওইদুনা তোক্লগদ্রা?

অনীশুবা কোরোনাগী ৱেভকা মরী লৈননা মীদিয়া অমদি অতৈ সোসল মীদিয়াশিংদা মখল-মখাগী পাউজেলশিং, কম্মেন্টশিং পীনরি। হৌজিক ফাওবদা পাউজেলশিং অমদি কম্মেন্টশিংসিদগী ফংনরিবা ঈথিলসি অয়াম্বনা অনীশুবা কোরোনা ৱেভকী লায়নাসিদা লায়থোকপা য়াবা ফীভমশিং অমত্তা উবা ফংনদ্রি হায়বসিনি। ফীভমসিনা তাক্লিবসি, হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি অতৈ কাঙবুশিংনা লৌখৎলিবা চেকশিন-থৌরাংশিংগী ফীভমসিগা, অনীশুবা কোরোনা ৱেভকী মওং মতৌসিগা, অসুক্কী মতিক খেন্নবা লৈরব্রা অসিনি। থৌদৌসিদা, মণিপুর লৈঙাক্না কিশি তাখত্তুনা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং পূম্বসি, চেকশিন্না লৌখৎপা মাঞ্জরবসু, নাকল অমরোমদদি হোৎত্রোং হোনা হৈদোকপগা চপ মান্নগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী অচৌ-অচৌবা ষ্টেট কয়ামরুমদা নোংমদা মীওই লিশীং-লিশীংনা খুজিং ওইদুনা, কোরোনাগী অনীশুবা ৱেভকী লায়চৎনা খুদুম চনশিল্লক্লি। অদুগা মণিপুরদনা, শুপ্নগী মরী লৈনবা ষ্টেট খরখক্তগী এরোপ্লেন্দা লাকপা মীওইশিংদগী কোরোনা টেষ্ট তৌনবা সেম্পল লৌহৌরগা, ময়ূম-ময়ূমদা নৎত্রগা মানা-মানা থুংঙুগদৌরিবা মফমশিংদুদা, রিজল্ট লাকত্রিবা ফাওবা সেল্ফ ক্বারন্টিন নৎত্রগা সেল্ফ আইসোলেসন তৌরুনবা থাদোকপা হায়বসিবু চেকশিনবা য়ৌরিবা থৌদৌরা? ঙমদদুনা তৌখিবনা অমনি। ফীভমসিদা, এরোপ্লেন্দগী হনখিবা মীওইশিংদুনা ময়ূম-ময়ূমদা নৎত্রগা মখোয়না থুংলুগদৌরিবা মফমশিংদুদা সেল্ফ ক্বারন্টিন/সেল্ফ আইসোলেসনশিং মপূং ফানা পাঙথোক্লরমগনি হায়বসি খঙবা ঙম্লিবা ৱাফমলা? অসিগুম্বা থৌদৌশিংসিদবু হন্দক্কী লৌনগনবদা শাথী হায়নরিবা, নকশিন্নরুবা খক য়াদবা, খজিক্তং নকশিন্নরুবদা লৌনরকপনা হেক্তা হানবা, সেকেন্দ ৱেভকী লাইচৎসিদা, লৈঙাক্কী মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা লাইচৎসিগীদমক লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংসি চুনরিব্রা? ৱাফমসি ইরমদমসিগী মীয়াম্নসু নৌরিঙৈদা খন্নহৌবনা চুমগদ্রা খল্লি। হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদবু, অসিগুম্না হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়ননবগী মথৌ তাহনফম থোক্লিব্রা? ঐখোয়গী চেকশিন-থৌরাং খূৎলৌখৎসিদদি, কোরোনাদি লায়রদুনা লাইকোয় ফাওবদা লৌনরক্লগদ্রা খল্লি। ফীভমসিদা তশেংনা হায়নীংলিবসি, "ঐখোয় মাঙ-তুংগী ৱাফম শুকনৎ নত্তনা, মমাঙদা থোকখিবদুগুম, লমদমসিদা অমুক হন্না কোরোনাভাইরসকী অচৌবা পোৎলুম অমমুক খুন্নাইসিগী কোকথক্তা নৌনা থাঙ্গৎলরোইসি হায়বসিনি। মসিগীদমক থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নসি অমসুং মতম খজিক্তং লৈরিঙৈসিদা অশোয়-অরানশিং পূন্নমক চুমথোকমিন্নহৌরসি" হায়বসিনি।

পেন্দবশিংগীদমক লৈঙাক্তা ৱাকৎপা হায়বসি হৌনশানি। চিংনবা পূম্বা কোক্লবগীদমক লৈঙাক্তা ওইন-নরিবনি। লৈঙাক্লসু ফনা কন্না হোৎনসনু, লমমসিগী মীচম-মীয়াম অমসুং অহোবা মখুল অমা ফাওবা য়াওহন্দনা, পূন্না হোৎনমিন্নফম থোকই। য়ারিবমখৈ লমদমসিদা অনীশুবা কোরোনাগী ঈথকসি মচেৎ অমা ফাওবা য়ৌরকহল্লোইদবনি। করিগুম্বদা কোরোনা লায়নাগী অনীশুবা ঈথকসিনা ষ্টেটসিদা অমুক হন্না য়ৌরকখিবা থোক্লবদি, হন্দক্তি ইরমদমসি মহৌশাগী পুন্সিদা অতেনবা মতমগী মনুংদা খক হঞ্জিল্লকপা ঙমগনি হায়বসি থাজদে। ●